# পনিরসেলবমগী কাঙবুনা সসিকালা, দিনাকারনবু পার্টিদগী তান্থোকখ্রে

চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

ইদাপাদি পালানিস্বামিবু টামিল নাদুগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা তারবসু এ আই এ দি এম কে মনুংদা ফম মুন্নবগী থৌওং লোইশিনবা ঙমদ্রি।

পনিরসেলবমনা লুচিংবা কাঙবুনা ঙসি ভি কে সসিকালাবু জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমদগী লৌথোকখিবগা লোয়নননা টি টি ভি দিনাকারনবু দেপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরিদগী লৌথোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মখোয় অনীবু পার্টিগী প্রাইমারি মেম্বরশিপতগী লৌথোকপগী মতাংদা পার্টিগী প্রসিদিয়ম চেয়রমেন ওইরম্বা পি মধুসুদননন্না ওর্দর অমা থোকখি। মধুসুদনন্না পনিরসেলবমগী মায়কৈদা চোংশিনখ্রবা মতুংদা মহাকপু সসিকালানা মফম লৌথোকপা লৈখ্রবনি।

মধুসুদনন্না থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, পার্টি মনুংদা চরাংনবা মীফম থোকহনবগীদমক সসিকালাবু জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমদগী লৌথোকপগা লোয়ননা প্রাইমারি মেম্বরশিপতগীসু লৌথোক্লে।

পালানিস্বামিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টপু মফম লৌথোক্লবা মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়না পনিরসেলবমনা ঙরাং লাউথোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্না হায়খি, অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা সসিকালা অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী য়াকা য়েংদুনা থবক তৌগদবা মরম্না অথুবা মতমদা মফম লৌথোকপা মথৌ তাই। কন্সটিট্যুয়েন্সি ২৩৪ মক্তা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎতুনা গভর্ণমেন্ট ইন্থুনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সসিকালাগা নক্নবা মীশক অমা ওইরিবা ঈ পালানিস্বামিবু কেবিনেট মিনিষ্টর ৩১গা লোয়নননা টামিল নাদুগী ১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুংদা অনৌবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

অমরোমদা, এসেমব্লিগী লৈমায়দা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা চীফ মিনিষ্টর পালানিস্বামিগী পাঙ্গল চাংয়েংগী মতাংদা পনিরসেলবমগী কাঙবুনা স্পিকর পি ধনাপাল উনদুনা সেক্রেট বেলোটকী খুথাংদা কনফিদেন্স মোসন পাঙথোক্লবা ৱাফম তকশিনখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা পনিরসেলবমগী মায়কৈদা লৈরিবা এস সেমলাইনা হায়খি মদুদি সেক্রেট বেলোটকী খুথাংদা কনফিদেন্স মোসন পাঙথোকপীনবা স্পিকরদা তকশিল্লম্লে।

অমরোমদা, ইলেক্সন কম্মিসননা হৌজিক-হৌজিক জেলদা লৈরিবী এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবী সসিকালাদা নোটিশ অমা থাখ্রে।

সসিকালানা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুখিবগী মতাংদা কম্মিসনগী নোটিশ অদু থাখিবনি।

পনবা য়াবদি, ঈ কে পালানিস্বামিবু টামিল নাদুগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়নননা নুমিৎ ১০ নি শুরবা পোলিটিকেলগী চয়েৎনবা অমা লোইশিনহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। থা অহুমগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর শীনবা হন্দক্লা অহুম্লক শুবনি।

গভর্ণর সী বিদ্যাসাগর রাওনা মশাগী চহী ৬৩ শুরবা পালানিস্বামিবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। রাজ ভৱনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা অতোপ্পা মিনিষ্টর ৩০ সু ৱাশক লৌখি। হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা জে জয়াললিতা লৈখিদ্রবা মতুংদা এ আই এ দি এম কে মনুংদা ফম মুন্নরকপদগী অচৌবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্লকখি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখ্রবা ও পনিরসেলবমনা হায়খ্রে মদুদি, এ আই এ দি এম কেবু ইমুং অমখক্কী মখুৎতা তাহনখিদনবা মখা তানা লাম্থেংনখিগনি।

জেল চঙখ্রবী এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি সসিকালাগী মমিং পনবমক্তি তৌদনা মহাক্না হায়খি, পার্টি অসিবু ইমুং অমখক্কী মরল-মথুম ওইহন্দনবা মখা তাবা খোঙজং চঙশিন-খিগনি। খোঙজং অসিদা লৈবাক মীয়াম্না মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।





# লৈখিদ্রবা কালিখো পুলগী লোয়নবীনা সী বি আইদা থিগৎহন্নবা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

লৈখিদ্রবা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর কালিখো পুলগী লোয়নবীনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)দা ইনভেষ্টিগেসন চথহন্দুনা মপুরোইবা লৈখিদবগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না তকশিল্লকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা দাংৱিমসাই পুলনা হায়খি, সী বি আই নৎত্রগা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সীগুম্বা সেন্ট্রেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অমদা থিগৎহনবা মথৌ তাই। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখিবা তারবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কালিখো পুল লৈখিদবগী মতাংদা মওং-মরিল তানা ইনভেষ্টিগেসন চথবা তৌখিদে হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ৯ দা কালিখো পুলনা মশাগী ওফিসল রেসিদেন্সতা মথন্তা শিজদুনা লৈরমখিবনি। সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অমনা মফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা মশাগী চহী ৪৭ শুরবা লুচিংবা অদু সিলিং ফেন অমদা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বা থেংনখি।

দাংৱিমসাই পুলনা হায়খি, কালিখো পুলনা ইরম্বা সুইসাইদ নোটতা শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়না মমিং পল্লম্বা জজ মরিগী মথক্তা থিগৎপীনবা ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিশতা ৱাকৎপা লৈখ্রে।

সী বি আইদা কেস অসি পায়হন্দুনা মওং-মরিল তানা থিগৎহন্নবা ৱাফম পুখৎলুবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ইমুং-মনুংদা কিহল্লকপগী থৌওং চথরকখি হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

কালিখো পুলনা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবা কা মনুংদা মহাক্না ইরম্বনি হায়বা সুইসাইদ নোট অমা অরুনাচল পুলিসনা থেংনখি। "ঐগী ৱাখল্লোন" হায়না মিংথোনবা লমায় ৬০ পানবা সুইসাইদ নোট অদুদা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা লুচিংবশিং অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী জজ কয়ানা চথখিবা অরানবা থৌওংশিংগী ৱাফম ময়েক শেংনা য়াওখি।

কালিখো পুলনা এম এল এ ২৯ (কোংগ্রেসকী ১৯ অমসুং বি জে পিগী ১১) গা লোয়নননা পিপলস পার্টি ওফ অরুনাচল প্রদেশ (পি পি এ) দা চোংশিনখ্রবা মতুংদা কুমজা ২০১৬ কী ফেব্রুৱারী ১৯ দা পুলনা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা মমাঙ চহীগী জুলাই ১৩ দা পীখিবা ৱায়েল অমনা কালিখো পুলবু মফম লৌথোকখিবগা লোয়নননা জুলাই ১৬ তা পেমা খন্দুনা অরুনাচলগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইখি।

অরুনাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইরম্বা জ্যোটি প্রসাদ রাজখোৱানসু কালিখো পুল লৈখিদবগী মরুমদা অরোনবা ৱাফম কয়ামরুম লৈ হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, পুলনা থৌরী য়ান্দুনা মশা মথন্তা শিজদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইরম্বা সুইসাইদ নোটতা লৈবাক অসিগী শক্লাইরবা লুচিংবা কয়ামরুমনা চথখিবা অরানবা থৌওংশিং ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লমখি।

কালিখো পুলনা ইরম্বা সুইসাইদ নোট অদু পাহৌব্রা হায়না পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা রাজখোৱানা হায়খি, চেরোল অদুনা য়াওবা ৱাফম পুন্নমক ময়েক শেংনা খঙই। অদুমওইনমক হৌজিকমক্কী ওইনদি হায়রিবা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকপা মতম চাদে। সুইসাইদ নোটতা য়াওবা ৱারোলশিং সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকখিবগা লোয়ননা মমিং লৈরবা অরুনাচল প্রদেশকী লোকল পাউচেশিংদসু ফোঙলকখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মীচং মীখায় নাইদবা মওংদা সী বি আইবু থিগৎহনগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুদা অইবা চেরোল থাদুনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।



# সুপ্রিম কোর্টকী জজ ২৮গী মনুংদা নুপী অমখক য়াওরি

# এপেক্স কোর্টকী অনৌবা জজ ৫ খনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা জজ মঙা ৱাশক লৌখিবগা লোয়নননা চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়া থারগা এপেক্স কোর্টকী অপূনবা জজ মশীং ২৮ শুখ্রে।

চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা ঙসি অয়ুক জষ্টিশ সঞ্জয় কিষন কোল, জষ্টিশ নবিন সিনহা, জষ্টিশ মোহন এম শান্তনাগোদার, জষ্টিশ দিপক গুপ্ত অমদি জষ্টিশ এস অব্দুল নাজিরবু থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

জষ্টিশ কোল মদ্রাজ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিশ ওইরম্মী অমসুং জষ্টিশ সিনহানা রাজস্থান হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিশ ওইরম্মী। জষ্টিশ শান্তনাগোদার অমসুং জষ্টিশ দিপক গুপ্তনা মথৎশিংনা কেরলা হায় কোর্ট অমসুং ছটিশগর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিশ ওইরম্মী। জষ্টিশ নজিরনা কর্নাটাকা হায় কোর্টকী জজ ওইরম্মী হায়রি। চীফ জষ্টিশ থারগা সুপ্রিম কোর্টকী অপূনবা জজ মশীং ৩১ লৈগদবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা ২৮ দগী হেন্না লৈত্রি।

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা হন্দক্তা অৱাৎপা জজ হাপ্নবা ৱারেন্ট ওফ এপোইন্টমেন্ট সাইন তৌবা লৈখ্রবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী জজ ২৮গী মনুংদা নুপী অমখক য়াওরি। জষ্টিশ আর বানুমতি নৎতনা অতৈ জজশিংদি নুপা ঙাক্তনি।

ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, হায় কোর্ট অনীগী চীফ জষ্টিশ ওইবা নুপী অনীনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনবা থৌরাং লৌখৎখি। অদুবু মায় পাকপা ঙমখিদে। সুপ্রিম কোর্টকী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা জজ মঙানা অয়াবা পীখিদবা মরম্না নুপী জজ অনীমক এপেক্স কোর্টকী জজ খনখিদবনি হায়রি।

সিনিয়র এদভোকেট ইন্দিরা জয়সিংহনা হায়খি, হায় কোর্ট অনীগী নুপী চীফ জষ্টিশশিংবু করি মরমগীদমক সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিশ ওইনা খনখিদবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

সুপ্রিম কোর্ট, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা নুপী জষ্টিশ অনী খনখিদবগী মরম চপ চানা পীরকপা লৈত্রি।


নুপী উকিল খরনসু হীরম অসিগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লরকখি। অদুমওইনমক ৱাফম অসিগা মরী লৈননা কন্মেন্ট পীয়ু হায়বা য়াখিদে।

সুপ্রিম কোর্টতা হৌজিক জষ্টিশ আর বানুমতি নৎতনা অতোপ্পা নুপী জজ অমত্তা লৈতে। কুমজা ২০১৪গী ওগষ্টতা বানুমতিবু সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিশ ওইনা খনখিবনি।

ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইবা নুপী ৬ খক্তা ঙাইহরি। খ্বাইদগী অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৮৯ দা জষ্টিশ এম ফটিমা বিবিবু এপেক্স কোর্টকী জজ খনখি। কুমজা ১৯৫০ দা সুপ্রিম কোর্ট লিংখৎখ্রবা মতুং চহী ৩৯ লৈরগা নুপী অমবু জষ্টিশ ওইনা খনখিবনি। সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইদ্রিঙৈদা ফটিমা বিবিনা কেরলা হায় কোর্টকী জজ ওইরম্মী। মহাক্না কুমজা ১৯৯২গী এপ্রিল ২৯ ফাওবা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিশ ওইরল্লবা মতুংদা টামিল নাদুগী গভর্ণর ওইখি।

সুপ্রিম কোর্টকী অনীশুবা নুপী জজদি জষ্টিশ সুজাতা ভি মনোহরনি। বোম্বে হায় কোর্টকী জজ ওইনা হৌরকখিবা জষ্টিশ সুজাতানা কেরলা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিশ ওইরমখি। কুমজা ১৯৯৪ গী নবেম্বর ৮ দা মহাকপু সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিশ ওইনা খনখিবনি। মহাক কুমজা ১৯৯৯গী ওগষ্ট ফাওবা ফম অসি পায়খি।

# 'বিহারগী গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং অতোপ্পা ষ্টেটতসু য়ু থকপা য়ারোই'



পাটনা, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

বিহার কেবিনেটনা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী সার্ভিস রুল এমেন্দ তৌখিবগা লোয়নননা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা ওফিসল অমত্তা য়ু থকপা অমদি ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নবা য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

কেবিনেট কোওর্দিনেসন দিপার্ট-মেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ব্রজেস মেহরোত্রানা পাউমীশিংদা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা ময়ায় তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম অমনা বিহার গভর্ণমেন্ট সর্ভেন্টস কন্দক্ট রুলস, ১৯৭৬ অমসুং বিহার জুদিসল ওফিসরস কন্দক্ট রুলস, ২০১৭ এমেন্দ তৌবগী ৱাফম অয়াবা পীখিবনি।

হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবা সার্ভিস রুলগী মতুংইন্না গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমত্তনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈ নৎত্রগা পব্লিক প্লেসতা য়ু থকপা অমসুং ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নবা য়ারোই হায়বা অথিংবা থল্লি। এমেন্দমেন্টতা অনৌবা ৱাফম অনী হাপচিন্দুনা গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংবু মফম খুদিংমক্তা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

মেহরোত্রানা হায়খি, কনাগুম্বনা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা য়ু থক্লম্বা নৎত্রগা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরম্বা থোক্লবদি দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিং লৌখৎতুনা মতিক চাবা চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎকনি। মতাং মতমগী মতুংইন্না ওফিসল অদুবু ফাইন থীহনবা, থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবা নৎত্রগা ফম হন্থহনবনচিংবা চৈরাক পীবা য়াই হায়রি।

ওফিসলশিংনা ইন্দিয়াগী মপান্দা চৎখ্রগা য়ু থকপা মতমদা মতৌ করম্না ফাগদৌরিবনো হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মেহরোত্রানা হায়খি, রেন্দম মেদিকেল টেষ্ট, সোসল মিদিয়া অমদি ষ্টিং ওপরেসননচিংবা মখল কয়াগী থৌরাং লৌখৎতুনা ওফিসলশিংগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনগনি।

বিহারদা য়ু য়োনবা অমসুং থকপা মপুং ফানা থিংখিবগা লোয়নননা কনাগুম্বনা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরম্বা তারবদি চহী ৫ দগীনা ১০ ফাওবা জেলদা থম্বগা লোয়নননা ফাইন থীহনগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল ৫ দা চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা ষ্টেটকী মফম পুম্নমক্তা য়ু য়োনবা অমদি থকপা থিংখিবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থৌওং অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মীওই লিশিং কয়ানা হ্যুমেন চেন শেমখি।

জান্যুৱারী ২১ দা নুপী অমদি অঙাংশিং য়াওনা মীওই লিশিং চা কয়ানা পাটনাদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ু থিংনবগী মতাংদা লৌখিবা থৌরাংবু শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমার, রাষ্ট্রিয়া জনতা দলগী লুচিংবা লালু প্রসাদ যাদব, লোয়নননা কোংগ্রেস অমদি বি জে পিগী লুচিংবা কয়াসু হ্যুমেন চেন শেম্বদা শরুক য়াখি।

চীফ সেক্রেটরি অঞ্জানি কুমার সিংহনা হায়খি মদুদি, য়ু থিংখিবগী থৌওং শৌগৎপা ফোঙদোক্লদুনা বিহারদা কিলোমিটর ১১,০০০ শাংনা শেমখিবা হ্যুমেন চেন অদুনা মালেমদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা হ্যুমেন চেননি। নুমিৎযুংবা মতুং পুং ১২.১৫ দগী পুং ১ ফাওবা মীওই মিলিয়ন ২০ হেনবনা শরুক য়াদুনা হ্যুমেন চেন শেমখিবনি।

HL-B/3679/18

# ঈ পি এফ ওগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক আধার য়াওবা মথৌ তারে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ঈ পি এফ ও)না পেন্সনর লাখ ৫০ অমসুং সবস্ক্রাইবর ক্রোর ৪ রোমদা আধার পীশিল্লক্লবগী মতম মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

পেন্সনরশিংনা দিজিটেল লাইফ সর্টিফিকেট পীশিল্লক্লবগী মতমসু মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোকহনখি। মমাঙদা ঈ পি এফ ওনা হায়খিবনি মদুদি, ফেব্রুৱারী ২৮ ফাওবগী মমাঙদা জিবন প্রমান পত্র প্রোগ্রামগী মখাদা পেন্সনরশিংনা দিজিটেল লাইফ সর্টিফিকেট পীশিল্লক্কদবনি।

পেন্সনরশিংগী খুদোংচানবগীদমক মার্চ ৩১ ফাওবা মতম শাংদোক-হনখিবগা লোয়নননা পেন্সনরশিংগী একাউন্টকা আধার নম্বরগা মরী লৈনহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা ঈ পি এফ ওনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৭ কী জান্যুৱারী ১৫গী মমাঙদা আধার পীশিল্লক্লবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

ইমপ্লোয়ীজ পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক তঙাইফদনা আধার পীশিনবা মথৌ তারে হায়না ঈ পি এফ ওনা ফোঙদোকখি।

পেন্সনরশিংনা মোবাইল ফোনগী খুথাংদা, নৎত্রগা কমন সর্ভিস সেন্টরদা, নৎত্রগা বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিংদা দিজিটেল লাইফ সর্টিফিকেট পীশিল্লক্কদবনি হায়রি। পেন্সনরশিংগী খুদোংচানবগীদমক ঈ পি এফ ওনা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী কমন সর্ভিস সেন্টর (সী এস সী) লাখ ২ রোম শীজিন্নবা য়াহনখি। হান্নদি ঈ পি এফ ওগী পেন্সনরশিংনা নবেম্বর থা ফাওবগী মমাঙদা লাইফ সর্টিফিকেট পীশিনবগী থৌওং চথদুনা লাকখিবনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DISTRICT ELECTION OFFICER: IMPHAL EAST DISTRICT**

**NOTICE**

Porompat, the 17th February, 2017

***DEO/DC(IE)/18/TRG/2017:*** In connection with the General Assembly Elections, 2017 this is to inform all concerned that process for strict disciplinary action has been initiated under relevant provisions of law against **those polling personnel failing to report till date**.

*Sd/-* **Ningthoujam Geoffrey**
District Election Officer, Imphal East District

# মণিপুরগী গভর্ণরনা আই বি এস দি কালিন্দি সেন্টর হাংদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

অৱাং নোংপোক্কী তোপ-তোপ্পা শক্তম পুন্নমক লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা খঙহনবগা লোয়নননা নহারোলশিং, মরুওইনা নুপীশিংদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপকী লৌশিং লৈহন্নবগী পান্দমদা ইনষ্টিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি) অমসুং দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কালিন্দি কোলেজনা খুৎশম্নরগা আই বি এস দি কালিন্দি সেন্টর হাংদোকখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ দিল্লিগী মশীং য়াম্লবা মহৈরোয় অমদি ওজাশিং শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা আই বি এস দি কালিন্দি সেন্টর হাংদোকখিবনি।

গভর্ণরগী সেক্রেটরিএটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অৱাং নোংপোক্কী নুপীশিংবু ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপকী লৌশিং পীবগা লোয়নননা শেল-থুমগী ফীভম ফংগৎহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা, আই বি এস দিগী দিরেক্টর প্রোফেসার দিনবন্ধু সাহুনা হায়খি, সেন্টর অসিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মরমদা অতৈ ষ্টেটকী মহৈরোয়শিংবু মুন্না খঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ দিল্লিগী মহৈরোয় অমসুং ওজাশিং অৱাং নোংপোক লমদমদা লাক্তুনা রিছার্স ৱার্ক অমদি অতৈ অতোপ্পা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎনবগী মতাংদসু প্রোফেসার দিনবন্ধু সাহুনা ফোঙদোকখি।

কালিন্দি কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. অনুলা মোরিয়ানা হায়খি, সেন্টর অসিদা মশীং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংবু বাইও রিছোর্সেস ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপকী মরমদা তাকপী তম্বীবগা লোয়নননা অৱাং নোংপোক লমদমদা ফংলিবা রিছোর্সশিংদগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমহন্নবা হোৎনগনি। কোলেজ কেম্পসতা অতেনবা মতমগী ওইবা সোর্ট-টার্ম ট্রেনিং প্রোগ্রাম কয়াসু পায়খৎকনি হায়রি।

অৱাং নোংপোক্কী নুপীশিংবু ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপতা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহনবগা লোয়নননা মশা-মশাগী শেম্থোক লম্বী হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি। থৌরাং অসিনা অৱাং নোংপোক্কী নুপীশিংবু মীরাইবগী থৌওং কোকহনবগা লোয়নননা খুন্নাইগী ঈচেলদা তিলহনবদা মতেং পাংলগনি।

কালিন্দি কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. অনুলা মৌরিয়ানা হায়খি মদুদি, সেন্টর অসিদা মশীং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংবু বাইওরিছোর্সেস ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপকী মতাংদা ট্রেনিং পীবগা লোয়নননা অৱাং নোংপোক্তা ফংলিবা রিছোর্স হেনগৎহন্নবগী মতাংদা তাকপী তম্বীরগনি।

# ঈশিং লম্বীদা পাকিস্তানি চঙলকখিবগী পাউ ফংবদগী গুজরাটতা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

ভুজ, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

পাকিস্তানি মচা অমা ঈশিং লম্বীদা চঙলকখ্রে হায়বা পাউ অমা সেন্ট্রেল এজেন্সীশিংনা পীরকখ্রবা মতুংদা গুজরাটকী কুটচ দিষ্ট্রিক্টতা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

সেন্ট্রেল ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীশিংনা পীরকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নোংচুপ থংবা হিথাংফম ওইরিবা জাখাও পোর্টতা পাকিস্তান মচা তোংবা হি অনী থুংলরবা য়াই।

কুটচ রেঞ্জগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এ কে জদেজানা হায়খি মদুদি, ইন্টরনেসনল মেরিটাইম বোর্দরগী জাখাও মনাক্তা থুংলগদবা হি অনীদা পাকিস্তানি অমা তোংলকপা য়াই হায়বা রিপোর্ট অমা সেন্ট্রেল ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীশিংনা পীরকখি।

ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পাউ পীদুনা কুটচ দিষ্ট্রিক্টতা থুংলরবা হি অমসুং গাড়ী খুদিংমক নিংথিনা চেক তৌনবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরুওইবা মফম খরদা লৈরিবা গেষ্ট হাউস অমদি হোটেলশিংদসু চেক তৌবগী থৌওং চথরি। হৌজিকমক্কী ওইনদি চিংননিংঙাই ওইবা খুদম অমত্তা ফংবা লৈত্রি হায়না ইন্সপেক্টর জেনরেলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।



হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতসু বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক্তা মিটর ২০ শাংবা টনেল অমা থেংবা লৈখ্রবনি। বি এস এফকী সেনিয়র ওফিসল ধর্মেন্দ্র পরিকনা হায়খি, টেররিষ্টশিংনা পাকিষ্টানলোমদগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা ইন্দিয়ারোমদা চঙলকপা মতমদা সুরুং অসি শীজিন্নরম্বা য়াই। মমাংদসু ঙমখৈদা অসিগুম্বা সুরুং কয়া লৈরম্বা থেংনখ্রে।

ধর্মেন্দ্র পরিকনা হায়খি, ফুট ২.৫ পাকপা অমসুং ফুট ২.৫ লুবা টনেল অদু ঙমখৈদা খারিবা শম্বলগী মখাদা হুৎলম্বা থেংনখি।

বি এস এফনা ইন্টরনেসনল বোর্দরদগী কিলোমিটর ২০০ লাপ্পা মফমদা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা সুরুং অদু থেংনরকখিবনি হায়রি।

সুরুং অদু থেংনখিবগা লোয়নননা অরোনবা মওংদা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং অমা মায় পাকপা ঙমহনখিদ্রে হায়না বি এস এফকী ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা বি এস এফকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, টেররিষ্টশিংনা পাকিস্তান রেঞ্জরসকা খুৎশম্নরগা ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্না সুরুং অদু হুৎখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা পাকিস্তান রেঞ্জরসকা মীফম পাঙথোক্লবা ৱাফম পুখৎলগনি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চহীদা খুৎলাই মতিক চানা পায়রবা মিলিটেন্ট অহুম সুরুং হুৎলগা ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা শম্বা সেক্টরদা চঙলকপা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০০৯ দসু অখনুর সেক্টরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা টেররিষ্টশিংনা হুৎলম্বা টনেল অমা বি এস এফকী পার্সনেলশিংনা থেংনরকপা লৈখ্রে।

টৈহৌ/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচ মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ক্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3644/03/02-02/03